# সিওলদা হেলোৱিন সেলেব্রেসনগীদমক পুনখিবা মীয়াম ইন্নবা অমসুং নেৎশিন্নবদা মীওই ১৫৩ শিখ্রে



সিওল, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়াগী কেপিটেল সিওলদা হেলোৱিন সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা পুনখিবা মীয়াম মরক্তা অমগা অমগা ইন্নবা অমদি নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা মীওই ১৫৩ শিখ্রে হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না অশোকপশিংগী মরক্তা ফিভম লুবা কয়া য়াওবনা মরম ওইদুনা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই। সাউথ কোরিয়াগী পুৱারীদা খ্বাইদগী শাথিবা ওইরিবা ষ্টাম্পেদ অদু থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা হেলোৱিন সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা মীওই লিশিং কয়ানা সাউথ কোরিয়াগী কেপিটেল সিওলগী অহিংগী মতমদা ইন্টরটেনমেন্ট অমসুং পার্টিগীদমক্তা মমিং লৈরবা দিষ্ট্রিক্ট ইতিৱনদা লৈবা হামিল্টন হোটেলগা নক্কবা মিটর ৪দমক পাকপা চীংখোংগী অখুবা লম্বী অমদা থোমজিন্নরিঙৈদা থোকখিবনি।

ষ্টাম্পেদ অদু কুমজা ২০১৪ দা সেৱোল কৌবা ফেরি অমা লুপখিবগী থৌদোক্তা অয়াম্বনা স্কুল মহৈরোয়শিং ওইবা মীওই ৩০৪ শিখিবা মতুংদা সাউথ কোরিয়াদা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা মীশি মীনাগী এক্সিদেন্টনি। মদু লৈবাক অসিনা কোভিদ ১৯ গী অথিংবশিং লৌথোকখ্রবা মতুং চহী অহুমগী মনুংদা সিওলদা পাঙথোকপা অহানবা হেলোৱিনগী ইভেন্টনি।

লম্বীদা চৎনরিবা মীওই অয়াম্বা হেলোৱিন ফিজোলশিং শেৎনবা উখি। শিখিবশিং অদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা নুপী ৯৭ য়াওখি। ওবজার্বরশিংগী মতুং ইন্না হকচাঙগী ফ্রেম খরা পীকপা অমদি মহৌশানা হেন্না লূম্বা হেলোৱিনগী ফিজোলশিং শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা থৌদোক অদুগী ভিক্তিম অয়াম্বা নুপীশিং ওইখি।

ফায়র ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা শিখিবা ফোরেন্নর মশিং ২২ শুরে। ফোরেন্নরশিং অদু চাইনা অমসুং ইরানদগী মীওই ৪-৪, রসিয়াদগী মীওই ৩ অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ফ্রান্স, ওষ্ট্রেলিয়া, ভিএটনাম, য়ুজবেকিষ্টান, নোর্ৱে, কাজাখষ্টান, শ্রী লঙ্কা, থাইলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রিয়াদগী মীওই অমমমনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

মখোয়গী মতুং ইন্না অরোইবা ভিক্তিম অদুগী নেসনেলিটি খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনদি থৌদোক অদুদা শিখিবা ফোরেন্নরশিংগী মশিং ২০নি হায়না ফোঙদোরকখি। মশিং খেন্নরিবা অসিগা মরী লৈনবা এক্সপ্লেনেসন খুদক্কী ওইনা ফঙখিদে। পুলিসনসু এক্সিদেন্ট অদুগী চপ চাবা হৌরকফম খঙদোক্লবগীদমক ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থবা হৌখ্রে।

অহানবদা ফায়র ওথোরিটিশিংনা ইতেৱান এরিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংদগী শ্বর হোনবদা ৱারবা পেসেন্টশিংগী মরমদা পাউদমশিং পীরকখি। অহানবা রিপোর্ট অদু নুমিদাং পুং ১০.১৫ রোম তাবা মতমদা লাককি হায়রি।

সিপিআর অমদি ফার্ষ্ট এইদকী অতৈ থৌরাংশিং মথৌ তাবা পেসেন্ট ৩০০ লোম খঙহৌদনা চঙশিন্নরকপদগী রেস্কুৱরশিং থবক তৌবদা অৱাবা ওইখি। উহৌবা মীওইশিংগী মতুং ইন্না য়ুমদা হন্নবগী লম্বী কা হেন্না চিনবনা মরম ওইদুনা রেস্কুগী থবক্তা খুদোংচাদবা কয়াসু থোকহনখি। প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওলনা মহাক্কী ওফিসতগী লৈবাক মীয়ামদা ঙাঙখিবদা থাংজ নুমিৎকী অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদু শুংথোক থোকহল্লোইদবনি হায়খি।

মহাক্না লৈবাক্কী ওইনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা ফিরাল তঙ্খায় চিংথনবসু ওর্দর তৌখি। প্রাইম মিনিষ্টর হুন দুক-সুনা মতুং তাবদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অৱাবা ফোঙদোকপগী মতম অদু নোংমাইজিং অমদি থাংজ নুমিৎ ফাওবা ওইগনি। য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং বৃটিস পিএম রিসি সুনাক য়াওনা মালেমগী লূচিংবশিংনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সাউথ কোরিয়াগী লূচিংবশিংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল থাখ্রে।

# মোগাদিসুদা চত্থখিবা কার বোমগী এটেকশিংদা মীওই ১০০ শিখ্রে

মোগাদিসু, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সী): মোগাদিসুদা লৈবা সোমালিয়াগী এদুকেসন মিনিষ্ট্রিগী বিল্ডিংগী টার্গেট তৌদুনা চত্থখিবা কার বোম এটেক অনীদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০০ শিখ্রে অমসুং মীওই ৩০০ হেন্না অশোক অপন নঙলে হায়না সোমালিয়াগী প্রসিদেন্ট হাসন সেখ মুহামুদনা নোংমাইনিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা বোম্বিং সাইট অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লুরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মুহামুদনা থাংজ নুমিৎকী কার বোম এটেকশিং অদুদা শিবা মী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়খি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না বোম্বিং সাইট অদুগা নক্কনা গভর্ণমেন্টগী ওফিস, হোটেল অমসুং রেষ্টুরেন্ট কয়া লৈ। সোমালি পুলিস ফোর্সকী স্পোক্স পার্সন সাদিক দুদিসেনা মমাঙদা জর্নেলিষ্টশিং অমসুং পুলিস ওফিসারশিং য়াওনা মীওই কয়া মশিং খঙদনা শিরে হায়না ফোঙদোকখি।

অল কাইদাগা মরী লৈননা অল-সবাব ইস্লামিষ্ট গ্রুপনা বোম্বিং এটেকশিং অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। গ্রুপ অসিনা লৈবাক অসিগী মফম কয়া কন্ট্রোল তৌদুনা



লৈবগা লোয়ননা কেপিটেলদা তোইনা টার্গেট তৌরিবনি।

এটেক অদুবু কন্দেম তৌরদুনা সোমালিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর হমজা অব্দিবারেনা হায়খি, মদুদি অল-সবাবনা চত্থরক্লিবা অসিগুম্বা এক্সননা গভর্ণমেন্টনা টেররিজমগী মওং খুদিংমক মুত্থৎনবা হোৎনরিবসিদা অথিংবা অমত্তা পীবা ঙম্লোই।

সোমালিয়াদা লৈবা অফ্রিকান য়ুনিয়ন ট্রাঞ্জিসন মিশন্না ষ্টেটমেন্ট অমদা লৈবাক অদুদা টেরর এটেকশিং নমথবা ঙম্মনবগীদমক্তা টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা লেপ্তুনা মিলিটরি ওপরেসন চত্থনবা আপিল তৌখি।

থৌদোক অদুগী ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল পীবগা লোয়ননা সোমালিয়াদা লৈরিবা য়ুএন এসিষ্টেন্স মিশন্না ত্বিট অমগী খুত্থাংদা বোম্বিং এটেকশিং অদুদা অশোক অপন নঙলবশিং থুনা ফরকপা ওইরসনু অমদি টেররিজমগী মায়োক্তা সোমালি পুন্নমক্কা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি হায়খি।

সোমালিয়াগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্যুরিটি ওফিসলশিং য়াওনা ফেদরেল মেম্বর ষ্টেটশিংগী লুচিংবশিংনা অল সবাবকী মায়োক্তা হৌজিক চত্থরিবা ওফেন্সিব ওপরেসনশিংগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নরিঙৈ মরক্তা কার বোম এটেকশিং অদু চত্থরকখিবনি।

# ফুদ সেক্যুরিটি অমসুং পলেষ্টাইনননা আরব লিগ সম্মিটকী মরু ওইবা এজেন্দা ওইরগনি

অলজিয়র্স, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সী): লাক্লিবা নবেম্বর ১ অমসুং ২ দা অলজিয়রগী কেপিটেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা আরব লিগ সম্মিটতা ফুদ সেক্যুরিটি অমসুং পলেষ্টিনিয়ন ইস্যু অসিনা মরু ওইবা এজেন্দা ওইগনি হায়না আরব লিগকী সেক্রেটরি জেনরেল অহমদ অবৌ-গেইটনা অলজিয়র্সতা ফোঙদোকখ্রে।



থাংজ নুমিত্তা আরব লিগ সম্মিটকীদমক শেম শাবা ওইনা পাঙথোকখিবা ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফমগী প্রোসিদিংসতা হৌদোক ৱারোল পীরদুনা অবৌ-গেইটনা পলেষ্টিনিয়ন ফেক্সনশিংদা অশেংবা শন্দাইনবগী ফিভম অমা লাকহন্নবগীদমক্তা অলজিয়র্সতা চয়োল অনীগী মমাঙদা খুৎয়েক পীনখিবা অলজিয়র্স দিক্লারেসন ইমপ্লিমেন্ট তৌননবা তকশিনখি।

মহাক্না মখা তারদুনা অলজিয়র্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা আরব লিগকী সম্মিট অদু অনৌবা জোইন্ট আরব এক্সন অমা লাকহন্নবগী মরু ওইবা খোঙথাং ওইরগনি হায়খি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, সম্মিট অদুগী মরু ওইবা এজেন্দাদা মালেমগী অমসুং লমদমশিংগী ওইবা ফুদ ক্রাইসিসশিং কোকহন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা য়াওগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা অবৌ-গেইটনা আরব লমদমগী ফুদ সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎহন্নবা মশক থোকপা থৌরাংশিং অমসুং ষ্ট্রেটেজিশিং পুথোক্নবা আপিল তৌখি।

নবেম্বর ১ অমসুং ২ দা অলজিয়র্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা আরব লিগ সম্মিট অদুগীদমক্তা শেম শানবগীদমক টুনিসিয়ানা থাংজ নুমিত্তা অলজেরিয়াদা আরব ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী কাউন্সিলগী প্রসিদেন্সিদা শিন্নখি।

টুনিসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ওটমান্দিনা সিম্বোলিক ওইবা মওংদা আরব ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী কাউন্সিলগী প্রসিদেন্সি অলজারিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবা রামতানে লমমরাদা শিন্নখি। মদুগা লোয়ননা লমমরানা আরব লিগ সম্মিট অদুগীদমক ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী ওইবা শেম শাবগী মীফমগী প্রোসিদিংস হৌরে হায়না লাউথোকখি। হৌদোকপগী ৱারোলদা লমমরানা আরব লৈবাকশিংগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি ইকায় খুম্নবা আপিল তৌখি।

# 'ইমরান খাননা মহাকপু শেম্বীখিবা ইন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা হু কাম্লি'

ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সী): পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পিটিআই) না ইস্লামাবাদ তম্না অশাংবা খোঙচৎ অমা চৎপা হৌখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা নোংমাইজিং নুমিত্তা হায়খ্রে, মদুদি ইমরান খাননা মহাকপু শেম্বীখিবা ইন্সটিট্যুসন অমগী মায়োক্তা হু কামদুনা লৈরি।

দিজি আই এস আইগী প্রেস কনফরেন্সগী মতাংদা লাহোরদা য়ুট্যুবর অমনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজনা হায়খি, মদুদি পিটিআইগী চীফনা পাকিষ্টান আর্মিবু কন্না চৈথাংলি। তৌইগুম্বসুং ইন্সটিট্যুসন অসিগী পাকিষ্টানগী ঙাকশেলগীদমক্তা থবক তৌবনি।

পিএম সেহবাজনা মখা তানা হায়খি, মদুদি পাকিষ্টানননা নিংতম্বা হৌখিবদগী ইন্সটিট্যুসন অসিগী ওফিসারশিং অমসুং টুপশিংনা লান নত্ত্রগা টেররিজমগী ওইরবসু মশিং থিঙমদনা কখোকখি। লৈবাক অসিগী মফম অমত্তা সেফ ওইদ্রবা মতমদা আর্মিনা টেররিজম থেংনখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সেহবাজনা হায়, অসিগুম্বা ইন্সটিট্যুসন অমগী মায়োক্তা হু কাম্লিবনি। ইল্লিগেল এক্সন লৌখৎখিবা লৈব্রা হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা ৱাহং অমনি। মরু ওইনা নো কনফিদেন্সকী ভোট অদু ইল্লিগেল ওইব্রা নত্ত্রগা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তরা হায়না ঐহাক্না হংলি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ভোট ওফ কনফিদেন্স মায় পাকহন্দনবগীদমক্তা আর্মিগী চীফকী থবক্কী মতম শাংদোক্লবা ওফর তৌখি। পার্লিয়ামেন্টদা কন্সটিট্যুস্নেল এক্সন অমবু মায়থীবা য়াহন্নবগীদমক্তা ইমরান খাননা অসিগুম্বা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইবা ওফর অসি আর্মি চীফতা তৌখিবনি।

থৌওং অসিদি মহাকপু শেম্বীখিবা ইন্সটিট্যুসন অমগী মায়োক্তা হু কাম্বগা মান্নে হায়নসু সেহবাজনা ফোঙদোকখি। মহাক্না ওদেন্সতা ইন্সটিট্যুসন অসিনা খানবু শৌগৎনবা অরৈবা পনশিং লৌথোকখি অমদি মঙোন্দা মপুং ফানা সপোর্ট পীখি হায়খি।

# অৱামি লিগপু লৈঙাক্কী পৱারদগী চিংথুনবা বি এন পিনা 'কেবিনেট' শেম্বগী পাউ তারে: কামল

ধাকা, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সী): অৱামি লিগপু লৈঙাক্কী পৱারদগী চিংথুনবগী লৌতুনবগী শরুক অমা ওইনা বংলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি) না কেবিনেট অমা শেম্লে হায়বা পাউ ফঙলে হায়না বাংলাদেশকী হোম মিনিষ্টর অসাদুজ্‌জামন কামলনা ফোঙদোকখ্রে।



থাংজ নুমিত্তা ধাকাদা কেপিটেল দিষ্ট্রিক্টকী অৱামি লিগকী তরেৎশুবা ট্রাইইনিএল কাউন্সিলগী মীফম মনুংদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি হৌখিবা মতম খরা অসিদা বি এন পিনা দিসেম্বর ১০ দা ধাকা পায়শিনগনি অমসুং ঐখোয়বু লৈঙাক্কী পৱারদগী ইন্তুগনি হায়বা ৱাফম অমা ঐহাক্না তাবা ফঙখি।

মখোয়না ৱাফম অসি ফোঙনা লাউথোকপা লৈত্রবসু ঐখোয়না তারে। মসিদা নত্তনা মখোয়না পান্দম অদুগা মরী লৈননা শেদো কেবিনেট অমা শেম্লে হায়বা ফাওবা তারে।

অৱামি লিগকী লূচিংবা অসাদুজ্‌জামন্না হায়খি, মদুদি ঐখোয়না পুন্না চৎমিন্নগনি। ইকায় খুম্ননিংঙাই ওইরবা পিএমনা অমুক হন্না ফম অসি পায়রকপদু ঐখোয়না পাম্মী। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অশোয়বা অমত্তা তৌরোই অমসুং অৱামি লিগতা ভোট পীদুনা অমুক হন্না পার্টি অসিবু মায় পাকহনগনি হায়বগী থাজবসু অসাদুজামন্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, বাংলাদেশতা অৱামি লিগকী অশোনবা মফম অমত্তা লৈতে। লৈবাক অসি মীয়ামগী লুচিংবী সেখ হাসিনাগী লীচিং মখাদা লৈরিমখৈ বাংলাদেশ অসি চাওখৎপগী লম্বীদা খুমাঙ চাওশিনগনি হায়না লৈবাক অসিগী মীয়াম পুম্বনা খন্নদুনা লৈরি।

চৈরকসিদা প্রো-পাকিষ্টান সমাদ-সিবিরগী লুচিংবশিং অমসুং এক্তিভিষ্টশিং থাংজ নুমিত্তা রাংপুরদা লৈবা কলেক্টরেটকী কা গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা বিএনপিগী দিভিজনেল মাস মীটিংদা শরুক য়াখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী দিটেক্টিব ওফিসারশিংনা মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না বিএনপি অমদি মসিগী মীচং জমাদ-সিবিরনা রাংপুরদা কাংখোং চাইরবা ফিভম লাকহন্নবা থৌরাং তৌরি। বিএনপিগী সেক্রেটরি জেনরেল মির্জা ফাকুর অলমগিরনা ক্যের টেক্কর গভর্ণমেন্ট অমা লৈহন্দনা বাংলাদেশতা মীখল অমত্তা পাঙথোকপা য়ারোই হায়বা মমাঙদা লৈখ্রবনি।

রাংপুর সিটিদা পার্টিগী দিভিজনেল মাস রেল্লিদা ৱা ঙাঙবদা বিএনপিগী সেক্রেটরি জেনরেল অসিনা হায়খি, মদুদি বাংলাদেশতা অমুক হন্না চাক্তাংবগী থৌদোক থোরকপা তারবদি মদুগী থৌদাং সেখ হাসিনা অমসুং মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা লৌগদবনি। দিসেম্বর ১০ দা ধাকাদা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্টিগী অচৌবা রেল্লিগী মাঙওইননা বিএনপিনা মদুদা ৱারেপ খরা লৌরগনি হায়না পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

# লোকচপতা মিনি বস তাশিনবদা মীওই তরেৎ শিরে

কাবুল, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টানগী সেন্ট্রেল দাইকুন্দি প্রোভিন্সতা মিনি বস অমা লোকচপতা তাশিনবদগী মদুদা তোংলিবা পেসেঞ্জর তরেৎ শিখ্রে অমদি অতৈ মাপননা অশোক অপন নঙখ্রে।

ষ্টেটনা চল্লাইবা বাক্তার ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না এক্সিদেন্ট অদু থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট মিরামোলদা থোকখিবনি। শোয়বদগী মিনি বস অদু লোকচপতা তাশিনখিবা অদুদা নুপী অমা য়াওনা ট্রাবেল্লর তরেৎ মফম অদুদা শিখি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না লোকেলশিংনা চীংগী লম অদুগী মওং তাদ্রবা লম্বীশিংদা গাড়ী থৌবদা ড্রাইভরশিংনা চেকশিন্নদবদগী এক্সিদেন্ট তোইনা থোকই হায়না ফোঙদোক্লখি।

মখোয়গী মতুং ইন্না চীংগী প্রোভিন্স অদুগী লম্বীশিংদা চেল্লিবা গাড়ীশিং এক্সিদেন্ট থোক্তুনা চহী খুদিংগী মীওই কয়া শি।

# য়ুএসপু অমেরিকন চাদা ৪৫ না খৃষ্টান লৈবাক ওইহনবা পাম্মী

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সী): অমেরিকন তরাগী মনুংদা মরি হেনবনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটপু খৃষ্টান লৈবাক অমা ওইহনবা পাম্মী হায়বসি ৱাশিংতনদা বেজ তৌবা অমেরিকন থিঙ্ক টেঙ্ক অমা ওইরিবা পিয়ু রিছার্স সেন্টরনা পাঙথোকখিবা অনৌবা সর্ভে অমনা উৎখ্রে।

সর্ভে অদুদা অমেরিকন অয়াম্বা হায়বদি তরাগী মনুংদা নিপাননা য়ুএস অসি খৃষ্টান লৈবাক অমা ওইনা শেমখিবনি হায়না থাজনৈ হায়বসিসু খঙবা ঙমখি হায়রি।

# ব্রেবরমেনবু রিএপোইন্ট তৌবগা মরী লৈননা লেবরনা রিসি সুনাকতা প্রেসর পীবা লেপত্রি

লন্দন, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সী): বৃটেনগী ওপোজিসন লেবর পার্টিনা গভর্ণমেন্টদা স্বেলা ব্রেবরমেনন্না চত্থখিবা সেক্যুরিটি ব্রিজকী থৌদোকশিংগী মপুং ফাবা এসেসমেন্ট ফোঙননবা তকশিনখ্রে।



সেক্যুরিটি ব্রিজকী থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা ব্রেবরমেনবু নমদুনা রিজাইন তৌহনখ্রবা মতুং শুপ্নগী নুমিৎ তরুক্নিগী মনুংদা মহাকপু ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইবা মওংদা য়ুকেগী হোম সেক্রেটরি ওইনা অমুক হন্না হাপখিবা মতুংদা ওপোজিসন্না গভর্ণমেন্টদা প্রেসর পীরকখিবনি।

টোরি পার্টিগী হান্নগী চিয়রনা ব্রেবরমেনন্না হঞ্জিন হঞ্জিন মিনিষ্ট্রিএল কোর্ট থুগায়খি হায়না ক্লেম তৌখিবা মতুং মহাকপু অমুক হন্না হোম সেক্রেটরিগী ফম পায়হনবদগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর রিসি সুনাক্তা ওপোজিসন্না লেপ্তুনা প্রেসর পীরক্লিবনি।

ব্রেবরমেনন্না পার্মিসন য়াওদনা টোরিগী বেকবেঞ্চর অমদা পর্সনেল ইমেল অমদগী লৌথোকখিবা সেন্সিটিব দোক্যুমেন্ট অমা সিয়র তৌখিবা মতুংদা ইনক্বারি চত্থনবা ওপোজিসন্না কন্না দিমান্দ তৌখিবা ওইরবসু হৌজিক ফাওবদা সুনাকনা মখোয়গী দিমান্দশিং অদু য়াবা লৈত্রি। লেবর অমসুং লিবরেল দিমোক্রেটস অনীনা সেক্যুরিটি ব্রিজ অদুগা মরী লৈননা নেসনেল সেক্যুরিটিগী ৱাফম পুখৎপগা লোয়ননা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা কেবিনেট ওফিসকী ওইবা প্রোব অমা দিমান্দ তৌখ্রবনি।

সুনাকনা ব্রেবরমেনবু হোম ওফিস অমুক হন্না পায়হন্দ্রিঙৈ মমাঙদা লেবরনা মিনিষ্টরশিংদা মসিগা লোয়ননা অতৈ লিগশিংগী রিস্ক এসেসমেন্ট অমদি প্রাইম মিনিষ্টরদা পীখিবা ইনফোর্মেসন সিয়র তৌনবা পার্লিয়ামেন্টদা মোসন অমগা লোয়ননা তকশিনগনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা ব্রেবরমেনন্না এমপিশিংগী মমাঙদা থৌদোকশিং অদুগী এক্সপ্লেনেসন অমা পীবগী ৱাফম য়াদ্রিবনি।

শেদো হোম সেক্রেটরি য়িবেদ কুপ্পরনা হায়খি, মদুদি রিসি সুনাক অমসুং স্বেলা ব্রেবরমেন অসিগুম্বা ৱাহংশিং অসিদগী লৈথোক্তুনা চেনবা য়ারোই। মসি অরুবা ৱাফমনি। হৌজিক ফাওবদা থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎতবনা মরম ওইরগা প্রাইম মিনিষ্টরগী জজমেন্টদা চিংনবা পোকহল্লে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি মীয়াম্না হৌজিক য়াম্না সেন্সিটিব ওইবা ইনফোর্মেসন অমসুং ঐখোয়গী নেসনেল সেক্যুরিটিগী মতাংদা হোম সেক্রেটরিবু থাজফম থোক্লিব্রা হায়বসি খঙবা পাম্মী। রিসি সুনাক্না স্বেলা ব্রেবরমেনবু অমুক হন্না এপোইন্ট তৌবগী ৱারেপ লৌখিবদু থৌদাং মশক খঙদবগী থৌওংনি।

লেবরনা পার্লিয়ামেন্টরি মেকানিজম খুদিংমক শীজিন্নদুনা মহাকপু অমুক হন্না ফম পায়হনখিবগী মতাংদা নমদুনা এক্সপ্লেনেসন পীহনগনি অমদি মথৌ তাবা অকুপ্পা দোক্যুমেন্টশিং ইন্টলিজেন্স এন্দ সেক্যুরিটি কম্মিটিদা শিন্নহনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স চীফশিংনা পেন্টাগোনদা সেক্যুরিটিগী ৱারী শান্নরগনি



সিওল, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসকী দিফেন্স চীফশিংনা চায়োল অসিদা ৱাশিংতন দিসিগা নক্কনা চহীগী ওইবা মখোয়গী সেক্যুরিটিগী ৱারী শান্নদুনা নোর্থ কোরিয়ানা কিহল্লক্লিবশিংগী মায়োক্তা অপুনবা দিটরেন্স অমদি অতৈ এল্লায়ন্সকী ওইবা ইস্যুশিংগী মতাংদা খন্নরগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, পিওংয়াংনা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অমা পাঙথোক্তুনা নত্ত্রগা অতৈ কায়হৌবগী থৌওং কয়া চত্থদুনা উংখৎনবা হেনগৎহল্লকপা য়াবগী নুংনাংবা লৈরিঙৈ মরক্তা দিফেন্স মিনিষ্টর লি জোন-সুক অমসুং য়ুএসকী মহাক্কী লেঙমান্নবা লোইদ ওষ্টিননা শগোলশেল নুমিত্তা পেন্টাগোনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৪ শুবা সেক্যুরিটি কন্সলটেটিব মীটিং (এস সি এন) দা শরুক য়ারগনি।

সেক্যুরিটি মীটিং অদুগী মরু ওইবা এজেন্দা সাউথ কোরিয়াবু নোর্থ কোরিয়াগী অকন অরিংশীংবগী থৌওংশিংদগী ঙাকথোক্লবা ন্যুক্লিয়র ওপরেসনশিং য়াওনা মিলিটরি কেপেবিলিটিশিং মপুং ফানা মোবিলাইজ তৌবা হায়বা অমেরিকাগী অহেনবা দিটরেন্স হেনগৎহন্নবা হোৎনমিন্নবগী ৱাফম য়াওরি হায়না সিওলগী ওফিসেলশিংনা ফোঙদোকখি।

নাকল অনীনা পুন্না হোৎনমিন্নবা অদুদা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা য়ুএসকী ষ্ট্রেটেজিক মিলিটরি এসেটশিং দিপ্লোই তৌবদা মীচংশিংগী মরক্তা কো ওর্দিনেসন থম্বা য়াওরি। হৌখিবা মেদা সিওলদা পাঙথোকখিবা সম্মিটতা প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওল অমসুং য়ুএসকী মহাক্কী লেঙমান্নবা জো বাইদেননা মতম চানা অমদি কোওর্দিনেটে তৌদুনা এসেটশিং অদুবু দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম য়ানখ্রবনি।

লাক্কদৌরিবা সেক্যুরিটি কন্সলটেটিভ মীফম অদু নোর্থ কোরিয়াগী পরিং নাইনা বেলেষ্টিক মিসাইল অমসুং আর্টিল্লরি লোঞ্চ কয়া পাঙথোকখিবদগী লাক্লিবা উংখৎনবগী ফিভমশিংগা মরী লৈননা সিওল অমসুং ৱাশিংতন্না হেন্না ইফেক্তিব ওইবা থৌরাংশিং খন্নরকপা য়াই হায়বগী থাজবা লৈরিঙৈ মরক্তা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ওফিসলশিং অদুগী মতুং ইন্না নাকল অনীনা সাউথ, য়ুএস অমসুং জপানগী মরক্তা নাকল অহুমগী ওইবা সেক্যুরিটি কো ওপরেসনগী ৱাফম খন্নবগী থৌরাংসু তৌরিবনি। মথং চীদা পাঙথোক্লগদৌরিবা সিওল-ৱাশিংতন এল্লায়ন্স শেমখিবগী ৭০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা ইভেন্ট কয়া পরিং নাইনা পাঙথোক্লবা শেম শাবগী মতাংদসু মখোয়না খন্ন-নৈনগনি।

দিফেন্স চীফ অনীনা টাইৱান ষ্ট্রেটকী টেন্সন য়াওনা অতৈ রিজনেল অমসুং গ্লোবেল সেক্যুরিটি ইস্যুশিংসু খন্নরবা য়াই।

# নুপামচা অমা শিখিবগী মতাংদা ইন্দিয়াদা দিপ্লোমেটিক নোট থাখ্রে

কাঠমান্দু, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা নোংচুপ থংবা নেপালদা চেল্লিবা মহাকালি তুরেল লান্না শেমগৎলিবা টবাগট-লিকুলেট রোদ পাকথোকহন্নবা পাঙথোকখিবা ব্লাষ্ট অমদা পায়থোরকখিবা নুঙ অমনা পানবদগী চহী মাপনদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা শিখিবগা মরী লৈননা নেপালগী মিনিষ্ট্রি ওফ এফিয়র্সনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইন্দিয়াদা দিপ্লোমেটিক নোট অমা থাখ্রে।

নেপালগী মিনিষ্ট্রি অসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা বোর্দর এরিয়াদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী থবক পাঙথোকপদা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা মতুংদা মান্নবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা খঙহনখি হায়রি।

বোর্দর এরিয়াদা মান্নবা দিভলপমেন্ট এক্তিভিটিশিং পায়খৎপা মতমদা নেপালগী লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসনগা তান্ননবসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টদা তকশিনখি। ইন্দিয়ন ওথোরিটিশিংনা নেপালগী ওথোরিটিশিংদা পাউ পীবা তৌদনা ব্লাষ্টশিং অদু পাঙথোকপদগী ইরাই নুমিত্তা ব্যাস দুল্লিংগী পাৱন মোহারা কৌবা নুপামচা অসি শিখিবনি।

থৌদোক অদু নুপামচা অসিনা বোর্দরগী নেপালগী টেরিটরিগী মনুং চন্না মখোঙনা চৎলিঙৈদা থোকখিবনি। শোয়খিবা অদু য়াজরদুনা ইন্দিয়াগী কন্সট্রক্সন কম্পেনি গক এন্দ গাকনা ভিক্তিমগী ইমুংদা কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা মিলিয়ন অমা পীবগী ৱাফম য়াখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা দার্চুলা দিষ্ট্রিক্টকী লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসন্না ৱাফম অসি ইন্দিয়াগী পিথোরাগর দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতা পুখৎখিবনি। নেপালগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়র্সকী মতুং ইন্না দিপ্লোমেটিক নোট অদু কাঠমান্দুদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিগী খুত্থাংদা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টদা থাখি। মতুং তাবদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা ৱাফম অসিগী মতাংদা ন্যু দিল্লিগা তান্ননবা নেপালগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সনা ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিদা খঙহনখিবনি।

# এক্স-তামিল রেবেলদা বেষ্ট তামিল নোবেলিষ্ট এৱার্দ পীখ্রে

কলম্বো, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সী): শ্রী লঙ্কাগী দিফেন্স সেক্রেটরি ওইরম্বদগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সাবু হাৎননবা হোৎনখিবগীদমক্তা জেলগী চৈরাক পীখিবা হান্নগী তামিল রেবেল অমনা বেষ্ট তামিল নোবেলিষ্ট এৱার্দ ফংখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা পুক্নিং থৌগৎতুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লিটরেরি এৱার্দকী ফঙ্কসনদা প্রিজনর সিবালিঙ্গম অরুলানগী নোবেল অদুবু বেষ্ট ওরিজিনেল তামিল নোবেলনি হায়না লাউথোকখি।

কুমজা ২০০৬ তা শ্রী লঙ্কান গভর্ণমেন্টদা মতিক ময়াই লৈরবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রি ওইখিবা গোটাবয়া রাজাপক্সাবু হাৎননবা চত্থখিবা বোমগী এটেক্তা মরাল শীখিবশিংগী মনুংদা অরুলানসু অমনি। মতমদুগী গভর্ণমেন্ট অদু গোটাবয়াগী ময়াম্বা অমসুং পিএম মহিন্দ রাজাপক্সানা চল্লাইখিবনি।

ইঞ্জিনিয়ারিংদা বেচেল্লর দিগ্রি ফঙখিবা অরুলান ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি অমদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট দিগ্রিগীদমক্তা ষ্টদি তৌরিঙৈদা ফাখি। মহাক্না তামিল লোনদা লাইরিক তরেৎ অমদি ইংলিসতা অমা ইখি।

মহাক্কী লাইরিক পুম্নমক এৱার্দশিংগীদমক নোমিনেট তৌখি। মহাক কুমজা ২০১৬ দসু বেষ্ট নোবেলিষ্ট এৱার্দ ফঙখি।